# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ খোক্ পাম্বী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



*মণিপুরদা* অদুমক মরাং কায়না হৌবা থোইদোক্না থৌশাবীদ্রবা অদুবু মীওইবদা থোইদোক্না কান্নবা পীবা পাম্বীলক্তুগী খোক্ পাম্বী অসি মরু ওই। খোক্ পাম্বী অসি ইংলিসতা লেব্বেক্ট (Lebbeck) নৎত্রগা লেরেক্ট ত্রী (Lebbeck tree) নৎত্রগা ফ্লী ত্রী (Flea tree) নৎত্রগা ফ্রাইরুদ (Frywood) নৎত্রগা রুমেন্স তং ত্রী (Woman's tongue tree) নৎত্রগা ব্লেক সিরিস (Black siris) নৎত্রগা ইষ্ট ইন্দিয়া ৱালনট (East India Walnut) নৎত্রগা রোম ত্রী (Roam tree), হিন্দিদা সিরিস (Siris), অসামিজদা কোথিয়া কোরোই (Kothiya Koroi), টামিলদা শিরিদাম (Seridam), উর্দুদা তিনিয়া (Tinia) নৎত্রগা কালসিস (Kalshish), ফ্রেন্সতা বোইস নোইর (Bois noir), স্পেনিষ্টতা কাঞ্জুরো (Canjuro), কম্বোদিয়াদা ক্রেহ (Chreh), ইন্দোনেসিয়াদা টারিসি (Tarisi), ইটালিদা এলবিজিয়া ইন্দিয়ানা (Albizia indiana), বর্মিজদা কোক্কো (Kokko), ফিলিপিন্সতা এনিনাপালা (Aninapala), থাইদা কা-সে (Ka-Se) নৎত্রগা কাম্পু (Kampu), ভিয়েনামদা বো কেট টে (Bo Ket tay), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এলবিজিয়া লেব্বেক (Albizia lebbek (Linn.) Benth.)* নৎত্রগা *অকাসিয়া লেব্বেক (Acacia lebbek) (Linn.) Willd)* হায়না কৌই অমসুং *মাইমোসেসী (Mimosaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

খোক্ পাম্বী অসি মিটর ৩০ ফাওবা ৱাংবা মনা য়াম্না কেনগনবা ময়ায় ওইরপ্না চাউবা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী উ অসি মিটর ১ ফাওবা চাউই (1 meter diameter)। খোক্ পাম্বীগী লৈ অসি অঙৌবা মচুদা লৈ কয়ামরুম বোল অমগী মওংদা শাৎলি। পাম্বী অসিগী মহে অসি চিগোংলৈ পাম্বীগী মহেগুম্না পাদ্রিট পাই অমসুং সেন্টিমিটর ৩০ রোম শাংই। মহৈশিং অদু মমুন ফাদুনা কংশিল্লকপা মতমদা নুংশিৎ খজিক্তুং শিৎপদা মরূশিং অদু শরিক খিংবদৌনা মখোল থোকই। মরম অসিদগী পাম্বী অসিবু রুমেন্স তং ত্রী (নুপীনা ৱা চবেং-চবেং ঙাঙবা) হায়না খঙনৈ।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না খোক্ পাম্বী অসি ইন্দো-মালায়ান লমদমশিং, ন্যু গিনিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী হৌরকখিদুনা ঙসিদি খরা শারপ তৌবা ত্রোপিকেল অমসুং সব ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদা য়াম্না পাক শন্না হৌখ্রে। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুরদা খোক্ পাম্বী অসি অদুমক মরাং কায়না হৌই। মণিপুরগী তম্পাক্কী অয়াম্বা মফমশিং অমসুং চীংখোং-চীংয়াশিংদা খোক্ পাম্বী অসি হৌবা থেংনৈ। খোক্ পাম্বী অসি ইহান হানবা ওইনা **Carl Linnaeus** না মাইমোসা লেব্বেক হায়না থোন্দুনা নৈনখি অদুগী মখা তারকপদা **George Bentham** হায়রিবা বোটানিষ্ট অসিনা পাম্বী অসি এলবিজিয়া জিন্সতা হাপচিনখি। **Francisco Manuel Blanco** গী মতুং ইন্না মাইমোসা লেব্বেক অসি এলবিজিয়া রেটুসা-রেটুসা অসি অমত্তনি হয়না পাউদমলি।

খোক্ পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। অৱাং অমসুং খা থংবা অমেরিকাগী লমদমশিংদা খোক্ পাম্বী অসি মরূম পীনবা পাম্বী (Shade tree) ওইনা পাম্না থানৈ। চা অমসুং অতোপ্পা নুংশা মঙাল হন্থবা মফমশিংদা হৌগনবা পাম্বীশিং অসিদা মরূম পীনবা খোক্ পাম্বী অসি থানৈ। ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান্দদি খোক্ পাম্বী অসি উ (Timber) লৌনবা থানৈ। খোক্ পাম্বীগী উ অসি ময়ায় ওইরপ্না কূপ্পা অদুগা য়াঙতক তৌবা মরম্না উপু, সোফা অমসুং মখল মখা কয়াগী উগী পোখোকশিং শাবদা য়াম্না খুদোং চাহল্লি অমসুং পাম্নে। পাউদমগী মতুং ইন্না খোক্ পাম্বীগী উ অসি সেন্টিমিটর ১ পাক-চাউবদা গ্রাম ০.৫৫দগী ০.৬৬ ফাওবা লূমই। খোক্ পাম্বী অসি থাবনা থারিবা মফম অদুগী লৈবাক লৈহাও হেঙ্গৎহনবা ঙম্বা মরম্না মনা-মশিং অমসুং মহৈ-মরোং থাবা লমশিংদা থানবা অসি তোয়না থেংনৈ। মসিগী মথক্তা খোক্ পাম্বী অসি মরা য়াম্না লুনা চত্তবা মরম্না মরাশিং অদু মথক থংবা শরুক্তা অয়াম্বা চত্তুনা লৈবা মরম্না নোং কন্না তারক্তুনা লৈবাক-লৈহাও চামথোকপদগীসু কনবা ঙম্মী। খোক্ পাম্বীগী মনাশিং অদু নাইত্রোজেনগী চাং কা হেন্না য়াওবা মরম্না গ্রীন মেন্যুর (Green manure) হায়রিবা হার মখল অসি শেম্বদা য়াম্না খুদোং চাহল্লি। খোক্ পাম্বীগী উ অসি খূৎশু-খূৎলায়শিংগী মখোক পানবা, লাঙ্গোল শাবা, শুম্বল শাবা, চা মনা হাপ্নবা উপু শাবা, লৈমায়গী ফ্লোরিং তৌবা অমসুং ষণ গাড়ীগী কাংখোং শাবদা থোইদোক্না মগুনশিং লৈ।

খোক্ পাম্বীগী উ অসিদগী মখল কয়াগী চে শাবসু য়াই। খোক্ পাম্বীগী মনা অসি য়াম্না লায়না তুম্বা ঙম্মী অমসুং মখল-মখা কয়াগী য়ূমদা য়োকপা শাশিংদা শজিক ওইনসু পীজনৈ। খোক্ পাম্বীগী লৈশিংদা খোইহিগী চাং য়াম্না য়াওই।

খোক্ পাম্বীগী উগী মকু অসিদা তেন্নিন (Tennin) অমসুং সেপোনিন (Saponin) গী চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না শউনগী ইন্দষ্ট্রি (Industry) দা পাক শন্না শীজিন্নৈ। হায়রিবা সেপোনিন অমসুং তেন্নিন অসি শাপোন (Soap) শাবদসু শীজিন্নৈ।

হীদাক ওইনসু খোক্ পাম্বীগী উগী মকু শুগাইরগা লৌবা অনংবা মলম অদু অপোম-অতং তৌবা, শীংলি থুপ্পা, উনশা মথা-মথা পোমখৎপা অমসুং উনশা চপশিনবদা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না খোক্ পাম্বীদা মীওইবগী পূক্নিং ৱাখল হোংহনবা ঙম্বা সাইকোএক্টিভ (Psychoactive) ওইবা মগুণশিং য়াওই হায়বসিনি। খোক্ পাম্বীগী উগী মকু শুগাইরগা লৌবা অনংবা মহী অদু থাওরেক য়াম্না থোক্কনবা মায়দা তৈবদা থাওরেকশিং অদু চূপশিনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ।খোক্ পাম্বীগী উ অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লোক থুংবা, অপোম-অতং তৌবা, মীৎ-নাবা, য়ারি-য়াখোং চাথৎপা (Gingivitis), থবোম্বীগী লায়নাশিং, তোংশা কায়দুনা চীকপা-নাবা তৌবা, চাকখাউদা অপোম অতং তৌবা অসিদা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। মীওইবগী হকচাং ফনবা তোনিক অমা ওইনসু খোক্ পাম্বীদগী লৌবা মচল অমা শীজিন্নৈ হায়বগী পাউদমসু লৈ।⏮

## মরোল থোকপা লাই




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮

১। পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কংলা-শা ঙসিসু ঐখোয়গী ষ্টেট এমব্লেম ওইরি। বর্মিজনা অমুক, বৃটিশনা অমুক, অনীরক থুগাইরুরবনি।
(ক) করম্বা নিংথৌনা কংলাদা কংলা-শা ইহান হান্না শাখিবগে?
(খ) বর্মিজশিংনা চহী ৭ খুন্তাকপদা থুগাইরম্লবা মতুং নরসিংহ মহারাজনাঅমুক নৌনা শাখিবনি। করম্বা চহীদনো?
২। ''মানি নঙসে নুপী/মপু মাগী মঙলাল/মঙলাল মশামক/তাইবঙদা থোকপা লুগী তোংগী হকচাং।'' পরেংশিং অসি কবি মীনকেতনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। ''ঈশ্বর করিনো? ঈশ্বরগী অশেংবা অর্থদি অমরোমদা ইংরাজিদা কন্ত্রোল্লর হায়বনি।'' ৱাফম অসি 'ধর্ম অমসুং বিজ্ঞান' কৌবা ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?
৪। ''খনৱা নঙনা নুমিৎ অদুদা/ইমাসিং অদুখক্তনি ফি লংথোক/ইকাই ইকি পূম্বা তেমশিংনখিবা।'' পরেংশিং অসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।
৫। ''শিনাই তুরেলগী মপান্দা চোংথা মিয়াগী হকচাং পোৎলোইখিবা মং অদু, ৱাপল ময়াম অমনা কোয়শিন্দুনা লৈরি। ৱাফম অসি 'মেজর চোংথা মিয়া' কৌবা পুন্সি ৱারীদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DEPARTMENT OF AGRICULTURE : MANIPUR

................

## NOTIFICATION

Date 24th Jan., 2019

**No. AGM-1/526/SMAM/2018-19 :-** In continuation of office notification dated 29th Dec., 2018. It is for information to general Public/Farmer/SHG/FIG, etc that subsidy support provided to the farmer on Purchase of Agricultural Machinery/Equiptment under the scheme SMAM are on re-imbursement basis after the purchase of item on production of bill/Cash memo/Tax invoice etc. Further, the subsidy amount for each farmer must be credited to their Aadhaar link bank account on **Direct Benefit Transfer** (DBT) basis as done in last year.

For farm machinery bank, it should be a group of minimum 10 (ten) farmers and subsidy assistance will be based on the detail project report (DPR).

Any clarification/doubt regarding the subsidy assistance of the scheme (SMAM) may be consulted with Nodal Officer, SMAM or all District Agriculture Officers.

**Sd/- Y. SHYAM SINGH**
**Director of Agriculture : Manipur**

HL-P/3332/26

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG, MANIPUR

***Ref:- Mutation Case No. 139/SDC/Moirang/2017***

1. Mrs Tombi D/o Late Abdul Barik of Kwakta Khuman (0.05 acre)
2. Altaf M/O Tombi of –do– of –do– (0.05 acre)
3. Mrs Gulistan M/o Late Abdul Barik of –do– (0.05 acre)

-VS-

(Late) Md. Abdul Barik S/o Late Achou of Kwakta Khuman.

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Moirang, 24/01/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯১-ক্বোক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৪৫৮ (অরিবা) অমসুং ৫১৪ (অনৌবা) সী. এস. দাগ নং ৪০৭৩ এরিয়া ০.১৫ আউট ওফ ০.৫২ একর চাওবা লম-ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃত্তু পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎনি) গী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
***Moirang***

HL-P/3771/26

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

***Ref:- Mut. Case No. 50/SDC/IW(P) of 2019***

Smt. Khangembam (N) Mutum (O) Bimola Devi, W/o. Mutum Kullachandra Singh of Sagolband Tera Yambem Leirak, Imphal

*-Petitioner*

-Vrs-

Late Smt. Lukram (N) Khangembam (O) Chonjon Devi, W/o. Biramani Singh of Sagolband Khangembam Leirak

*-O.P. Party*

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

25th Jan., 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৮৩-লমজাওতোংবা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাট্টা নম্বর ১৬৭ অংস (অরিবা), ৪১৮/৭৮৩ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৪৫২/৯৮১গী পোইন্ট ০.০৪ একর চাওবা ইংখোল লম অসিগী কো: পাট্টাদার/পট্টাদারিনি অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি/দংকারিশিং অসিনা মহাক্কী/মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৩১/০১/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চৎথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/3341/26

## ꯄꯥꯏꯂꯁ/Piles কী ওজা অব্দুল হকপু থাগৎচরি

Piles কী অৱাবা খাঙদুনা চহী ৭ লৈরকখি। শৌজ মপান্দা হাক্কৎচবা, কক কক থিনবা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, শৌজ মনুংদা পোম্বা, মপান্দসু পেরে থোকই, চেখাইরগা থুপ্পা শাবা, গ্যাষ্টিকনি। অতোপ্পা মাইবশিংগী হিদাক চাজখি অনাবদি ফখিদে। মমৈথংদা ওজা **Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী Piles মপুং ফানা ফজরে অনাবা অৱাবা অমত্তা লৈত্রে। ওজাবু ঙমখে লৈতনা থাগৎচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি ঃ*
1. 7 MR Khabeisoi Gate - 10 a.m. to 4 pm. (Tue, Wed, Thurs).
2. Wangoi SBI Awang : 6.30 a.m to 4 p.m. (Fri, Sat, Sun, Mon)

*থাগৎচরিবা :* **M. BROJEN**
**Lilong Arapti**

HL-P/2900/26

## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি



অঙাং লাইরিক ফনবা, পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনবা, হায়বা ইন্নবা, নিশা চাদনবা, থবক ফঙনবা, করবার তোংনবা, শেল পায়নবা, ইঙ্খোল লৈবা ঙম্নবা, য়ুম শাবা ঙম্নবা, ফজবা গাড়ী তোংনবা, য়ুম্বাল কায়দনবা, ইচা য়াওনবা, মীনা য়েংশিনবা চঙদনবা, কেশ ঙম্নবা, ভোট কাননবা, অনাবা কোক্লনবা খ্বায়দগী লায়বা উপায়দি ইশাগী জন্ম কুঠী কম্প্যুটরাইজ তৌদুনা কুপ্পা অমুক্তং য়েংথোকপনি, কুঠী লৈত্রবসু ৱানিংঙাই ওইদে। অদুগা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চেকশিন্না খুবাক ময়িসু য়েংজরি। চহী নিফুরোম ইশাগী শীনফম ওইনা থিজিল্লক্লি অমসুং য়েংজরক্লি। অফবা থবক্তি য়ৈথোক্লোইসি, ঙসিমক লাক্তুনা তানবীয়ু।

*মীয়ামগী জ্যোতিষ মহাধাষি*
**ডা: পিঐইচ রাজেন্দ্র (ফাই)**
**নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকায়, ইম্ফাল।**

HL-P/3148/17/1-16/2

## IMPACT COACHING CENTRE(ICC)

*Keishampat Leimajam Leikai*

Class Commencing from 14th Jan. 2019

ADMISSION OPEN
REVISION COURSE
FOR CLASS X, XI & XII Sc. and Arts (CBSE & COHSEM)

SPECIAL FEATURES
1. Well experienced faculties from the reputed Institutions.
2. Chapterwise test .
3. Special grand Mock test for every chapter .
4. Providing most probable question analysis

Hometutors available upto College level

Morning: 5:30am to7:30am
Evening : 3:30pm to 5:30pm

COMPUTER SHORT TERM COURSE
Computer fundametal (Three months) Rs. 4000
DCA (Six months) Rs. 5000
DTP (Sis months) Rs. 5000


Morning Noon Evening

For more details, Please Contacts 8794341383 / 8731088488

HL-B/5084/27/12-28/1

## SMART TUTORIAL CENTRE

SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008
TOPPERS OF THE S.T.C IN HSLCE 2016-2018



2nd POSITION PATEL LAIRENJAM
11th POSITION DHANAPIYARI
14th POSITION NARESHKUMAR NAOREM
15th POSITION BIDYASAGAR
23rd POSITION HUIDROM HELEN

ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE CLASS VI,VII,VIII,IX & X
START ON 28th JANUARY 2019
Sub:Maths,Sc,S.S,MM,Eng,C/Sc,H/Sc,H/Maths & Add Eng.
BATCHES : Morning & Evening
Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192

MEGA TEST- 2019

| TIME TABLE | Exam. Timing 9am to12am |
|---|---|
| Date | Subject |
| 22-01-2019 | ENGLISH |
| 24-01-2019 | SCIENCE |
| 27-01-2019 | MEITEI MAYEK |
| 29-01-2019 | MATHEMATICS |
| 31-01-2019 | SOCIAL SCIENCE |
| 02-01-2019 | H/MATHS,H/Sc,Com/Sc |

Those who are willing to appear this Exam should get registered

For Detail :Visit Smart Tutorial

HL-P/5863/20/12-18/2(Alt.)

## COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ADMISSION OPEN
CRASH COURSE 2019
For NEET (Medical) Aspirants
*Class commencement from:- 14th March 2019*

SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS
- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X (Current year 2017) (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X (Current year 2017) Through Screening Test.
- Special concessions for all COMET School students (Limited seats)

*Prospectus and Admission form available from : 28/01/2019*
FIRST COME FIRST SERVE

For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near Keishampat Airport Road Imphal

HL-B/5154/26,29,31, 2, 4, 6

## Apollo Tutorial Centre

Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
ADMISSION OPEN
Foundation Course for
Class – XI Sc & XII Sc (COHSEM & CBSE)
*(Physics, Chemistry, Biology & Maths)*

Form Issue : 01/02/2019 Class Starts : 02/04/2019 Class Timing : 4:30 pm –7:40 p.m

Class X Hr. Maths 5:30pm–6:30pm

HOSTEL FACILITIES FOR BOYS & GIRLS
*Enroll just today and complete your ambition* Van service available
Provides : A set of text book for Class XI Sc/XII Sc and No admission fee for hostellers
*For Details pliz contact :* APOLLO TUTORIAL CENTRE : 7:00 am to 5:00 pm

HL-P/3313/24/1-23/3(Alt.)